# চাইনানা পাকিস্তান্দা ৱর্ল্ড বেঙ্ক, এ দি বিনা ফন্দিং তৌ হায়বা য়াখিদবা দাম শাগদৌরি



ইস্লামাবাদ, জুন ২০:

চাইনা পাকিস্তান ইকনোমিক কোরিদোর (সি পি ঈ সি) গী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা ইন্দজ তুরেলদা দামগী প্রোজেক্ট অমা শারগে হায়না চাইনানা ওফর তৌরক্লে হায়না পাকিস্তাননা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ক্লেম তৌখ্রে।

দিয়ামর ভাশা দাম হায়না খঙনগদবা প্রোজেক্ট অদুগী ইনফোর্মেসন অদু পাকিস্তানগী ষ্টেটনা রন তৌবা পৱার য়ুটিলিটিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লৈবাক অদুগী নেসনল এসেমব্লিগী কম্মিটি অমদা ফোঙদোকখিবনি। থা অসিগী অঙনবদা পাকিস্তানগী প্লানিং মিনিষ্টর অহসান ইকবালনা রোইটর্জগী ইন্টরভ্যু অমদা চাইনানা প্রোজেক্ট অদু ফন্দিং তৌরক্কনি হায়না পাকিস্তান্না হায়না ফোঙদোকখি।

দিয়ামর ভাশা দাম অসি ৱর্ল্ড বেঙ্ক অমসুং এসিয়ন দিভলপমেন্ট বেঙ্ক (এ দি বি) অনীমক্না ইন্দিয়াগী মায়োক্তা পাইখৎকদবা প্রোজেক্ট ওইবনা শোকপা পামখিদবনি। গিলগিট বাল্টিষ্টান রিজনগী মনুংদা তারিবা দামগী মফমদু ইন্দিয়ানা কন্না য়াদ্রিবনি। ইন্দিয়ানা লমদম অদু কাস্মিরগী শরুক অমনি হায়না ক্লেম তৌরি অমসুং চহী অমা খরা হেনবগী মমাঙদা য়ু এসনা প্রোজেক্ট অদুবু শৌগৎপগী মতাংদা খরা নীল খোংখি অমসুং ইন্দিয়ানা য়াম্না থুনা মদুবু য়ানিংদে হায়না ফোঙদোকখি।

ষ্টেটনা রন তৌবা পৱার য়ুটিলিটিগী চ্যেরমেন মুজামিল হুশাইননা হায়খি মদুদি, হৌজিক সি পি ঈসিদা অচৌবা হাইদ্রো পৱার প্রোজেক্ট য়াওদবা মরম্না পাকিস্তান অমসুং চাইনানা দিয়ামর ভাশাবু মদুগী শরুক অমা ওইহন্নবা কন্না খন্নরি।

চহী অনীগী মমাঙদা পাকিস্তাননা প্রোজেক্ট অদুগী মতাংদা ইন্দিয়াদগী নো-ওবজেক্সন সার্টিফিকেট অমা লৌগে খনখিদবনা ৱর্ল্ড বেঙ্কনা প্রোজেক্ট অদুগী লেন্দর ওইনা চোংথোকপা পামখিদে। হৌখিবা নভেম্বরদসু এদিবিনা দোলর বিলিয়ন ১৪ গী ওইগদবা প্রোজেক্ট অদু ফন্দিং তৌবা পামখিদে।

পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফনা হৌখিবা দিসেম্বরদা মেগৱাট ৪৫০০ গী দিয়ামর ভাশা দাম ফাইনান্স তৌবগী প্লান ইন প্রিন্সিপল ওইনা এপ্রুভ তৌখি। মহাক্না মহাক্কী ঈশিং অমসুং পৱারগী সেক্রেটরিদা মথং চহী লোইদ্রিঙৈগী মমাংদা দামদু পাইখৎনবগী শেম শাবা হৌনবা হায়খি।

দিয়মের ভাশা দাম অহানবদা কুমজা ২০০৩ দা লাওথোকখি অমসুং কুমজা ২০১১ দা উরেপ উয়ুং তমখি।

## নাইজিরিয়াদা বোকো হারামগী ভিক্তিমশিংগীদমক্তা পীবা চীঞ্জাক্কী তেংবাং য়ৌফম থোকপশিংদা য়ৌরমদ্রে

অবুজা, জুন ২০:

নাইজেরিয়াগী ইস্লামিষ্ট লালহৌদগী নাম্থোক্লবা লাঞ্জেনবা মীওইশিংগীদমক্তা থারকখিবা চীঞ্জাক্কী তেংবাং অপূম্বগী তঙ্খাই অমদি ফংফম থোকপা মীওইশিংগী মখূৎ য়ৌদে হায়না গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোক্লি।

মদু তেংবাংগী পোৎলমশিং থৈদোকপগী থৌওং অমনি হায়না গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখি, তৌইগুম্বসুং করেসপোন্দেন্টশিংদি হুরানবগী থৌওং অমনি হায়রি।

এক্তিং প্রসিদেন্টগী ওফিসনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুংইন্না তেংবাংগী পোৎলমশিংদু মফম চানা দেলিভর তৌনবা সিকু্যরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং কনখৎলে।

বোকো হারামগী মীশি মীনা য়াওবা ইরাংনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী অৱাং-নোংপোক লমদমদা নাইজিরিয়ন মিলিয়ন ৮.৩ রোম পুন্সি কন্নবগী তেংবাংগী তঙাই ফদবা লৈরে হায়না ওফিসলশিংনা হায়রি।

বোকো হারামগী ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংগা লাল শোক্লবদগী থোক্লিবা প্রোব্লেম অদু নোং চুবগী চাং নেম্বনা অমুক্কা হেন্না লুশিনহনখি। গ্রুপ অসিগী লালহৌনা লৈবাক অসিগী মীওই লিশিং চা কয়া নমদুনা ময়ুম থাদোক্তুনা চেলহনখি।

নোর্থ ইষ্ট নাইজিরিয়াগী মীয়াম চাক্তাংবগী ফীভম অমা মায়োক্লরকপা য়ানা লৈরে হায়না য়ু এননা হৌখিবা মার্চতা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা চথুখিবা বোকো হারামগী খ্বাইদগী নৌবা এতেক্তা বোর্নো ষ্টেটকী কেপিটেল মাইপুগুরিগী মনাক্তা লৈবা ভিলেজ অমদা সুইসাইদ বোম্মর মঙানা মীওই ১২ হাৎখি।

এক্তিং প্রসিদেন্ট য়েমি ওসিন বাজোগী ষ্টেটমেন্ট অমনা য়েন্থোক্কদবা চীঞ্জাকশিং মাঙখ্রে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা অৱাং নোংপোক লমদমদা থাখিবা লোরি ১০০ গী মনুংদা য়াঙ্খৈদি মখোয়গী পন্থুংশিংদা য়ৌখিদে হায়খি।

নাথৈখ্রবা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং অদু চপ চানা করি তৌখ্রবগে হায়বা পন্দ্রবসু হৌখিবা মে থাদা নাইজিরিয়ন অনী তেংবাং ওইনা পীরকখিবা চীঞ্জাকশিং য়োম্থোক্লম্বগী জেলদা থাজিনখি।

হৌখিবা চয়োলদসু সাউদি আরবিয়ানা রেম্মদনগীদমক্তা থারকখিবা দেট টন ২০০ লোকল মার্কেটশিংদা য়োল্লম্বা য়েংনবগী নাইজিরিয়না কিংদম অদুদা এপোলোজাইজ তৌখিবনি।

# পেরিসতা খুৎলাই অমসুং বোম য়াওবা কারনা পুলিসকী ভেহিকলদা থোমখ্রে



পেরিস, জুন ২০:

পেরিসকী মমিং লৈরবা চেমপস এলিসীজ এভিন্যুদা পুলিসকী কনভোই অমদা নোংমৈ অমসুং এক্সপ্লোসিভশিং য়াওবা কার অমনা থোমখিবা মতুং নিংথৌকাবা নুমিৎতা এক্সত্রিমিজমগা মরী লৈননা ফ্রেঞ্চ ওথোরিটিশিংনা কোইশেন শেন্নরকপা নুপা অমা হাৎখ্রে। কার অদুনা পুলিসকী কনভোই অদুদা থোম্বদা মৈজাও হৌনা পোকখাইখি অমসুং কোল্লা মচুগী মৈখু মপৈ অমা থোকখি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

ফ্রান্সকী এন্টি টেররিজম প্রোসিক্যুটরনা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ইনভেষ্টিগেসন অমা হৌখ্রে। ফ্রেঞ্চ পুলিসকী পার্সনল কাংবুশিং ভেহিকলদগী থোক্লক্লগা কার অদুদা চেনশিনখি অমসুং দ্রাইভর অদু চীংথোকখি অমসুং মহাকপু কন্নবা হোৎনখি হায়না ৱিটনেসশিংনা ফোঙদোকখি। ইন্টরিয়র মিনিষ্টর মহাক শিবগী পাউ কনফার্ম তৌখি।

নুমিৎ নীংথীনা থোকপা শারবা নুমিৎ অদুদা টুরিষ্টশিং অমসুং অতৈমীওইশিংনা মপৈ মপৈ ওইনা এভিন্যু অদুদা মখোংনা চৎনখিবা ওইরবসু এতেক অদুদা কনামৎতা অশোক-অপন নংখিদে হায়না পুলিস দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্টর গেৱার্দ কলোমনা মদুবু এতেক্কী এতেমপট অমনি হায়না ফোঙদোকখি অমসুং মদুনা অমুক হন্না ফ্রান্সতা থ্রেট লেভেল য়াম্না ৱাংই হায়বসি উৎলি হায়খি। মিনিষ্টরনা থৌদোক অদুবু কুমজা ২০১০ দগী থল্লকখিবা ইমরজেন্সি মখা তানা চথনবগী অমসুং নভেম্বর ১ ফাওবা শাংদোক্লবগী থৌরাংশিং এক্সপ্লেন তৌনবগী মরম ওইনা শিজিন্নখি। নভেম্বর অমা ফাওবা ইমরজেন্সি শাংদোক্লবগী থৌরাংশিং অদু য়ুমশকৈশা নুমিৎকী কেবিনেট মীফম অমদা পুথোক্কনি।

থৌদোক অদুগী হেকমতুংদা লৈমাইদা ফ্লরিৎ অমুবা অমসুং অমুবা সোর্টর্স শেৎপা নুপা অমা লৈমাইদা মমাই উপশিল্লগা তাদুনা লৈবা উখি। টেন্ট অমগী মখাদা লৈখিবদা হকচাংদু উবা ফংনখিদবগা লোয়ননা তুংদা পুলিসনা হকচাংদু বোদি বেগ অমদা হাপ্লগা ষ্ট্রেটচর অমদা পুথোকখি।

অতম্লনা চথুবা এতেকনি হায়না কনফার্ম তৌবা তারবদি থৌদোক অদু চহী অসিদা ফ্রেঞ্চ কেপিটেলগী অকোইবদা পুলিস ফোর্সশিংদা তার্গেট তৌবা মঙাশুবা থৌদোক ওইরগনি।

পিক্লিবা মচা অমা অমসুং মমান্নবী অমগা লোয়ননা চৎমিন্নখিবী লিমি পিফিষ্টর কৌবা ৱিটনেস অমনা ফোঙদোকখি মদুদি, মহাক্না কার অমনা পুলিস ভেনশিংগী কলম অমা হেনগৎলগা য়াংনা থৌখিবা অমসুং মতাই অমদগী অমদা হাইদোক হাইজিন তৌবা উখি।

# টেররিষ্টশিংগী লোৎফমদা মিলিটরি ষ্ট্রাইকশিং চথনবগী অকনবা ফীরেপ লৈরে

ৱাশিংটন, জুন ২০:

পাকিস্তানগী মতাংদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসনগী অকনবা ফীরেপ অমা লৌরক্তুনা য়ুল্লোন্নবা অফঘানিষ্টান্দা এতেক কয়া তৎতনা চথুরিবা পাকিস্তান্দা বেজ ওইবা মিলিটেন্টশিং লাকশিন্নবগী খোংথাং কয়া লৌখৎলকপা য়াবগী মওং লৈরে হায়না য়ু এসকী ওফিসলশিংনা ন্যুজ এজেন্সি রোইটর্জদা ফোঙদোকখ্রে।



ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা খন্নরিবা রেসপোন্সশিং অদুদা য়ু এসকী দ্রোন ষ্ট্রাইকশিং হেন্না পাকথোক চাওথোকহনবা, পাকিস্তান্দা পীবা তেংবাংগী মরম হোংদোকপা নত্রগা তেংবাং খরা ফাজিনবা অমসুং পাকিস্তান দা পীরম্বা মরু ওইবা নন-নেটো মীচং অমা ওইবগী ষ্টেট্রস হন্থহনবা য়াওরি হায়না মশক মমিংশিং ফোঙদোক্লিংদবা ওফিসলশিংনা রোইটর্জদা হায়খি।

অদুম ওইনমক য়ু এসকী ওফিসল খরনদি মাই পাকপগী ৱাফমদা চীংনবা উৎলদুনা মমাঙদা চহী কয়া পাকিস্তান্না মিলিটেন্টশিংবু শৌগৎপগী ফিভম লাকশিন্নবা হোৎনবদা মাই পাল্লকখিদ্রবনি হায়না য়েংলি। অমুকসু পাকিস্তাননা য়েক্লবা ইন্দিয়াগা য়ু এসকা মরী চেৎশিন্নবা হৌরকখিবনা ইস্লামাবাদ অমসুং ৱাশিংটনগী মরক্তা ব্রেকথ্রু অমা লাকপা য়াবগী চান্সশিং নেমই হায়রি।

য়ু এসকী ওফিসলশিংনা হায়রি মদুদি এদমিনিষ্ট্রেসন অসিনা অফঘানিষ্টানগী চহী ১৬ শুরবা লালবু গাইদ তৌরিবা ষ্টেটেজিগী রিজনেল রিভ্যু লোয়বগা মখোয়না পাকিস্তানগা কোওপরেসন হেনগৎহনবা পামই, লৈবাক অসিগা মরী তৎনবা পামদে।

হ্বাইট হাউস অমসুং পেন্টাগোন্না রিভ্যু মপুং ফাদ্রিঙৈদা মদুগী মরমদা কম্মেন্ট পীবা পামখিদে। ৱাশিংটন্দা লৈবা পাকিস্তানগী এম্বেসিনসু খুদক্তা কম্মেন্ট পীয়ু য়াখিদে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং পাকিস্তাননা নেসনল সিক্যুরিটিগী হস্যু কয়াদা মখা তানা পার্টনরশিং ওইনরি হায়না পেন্টাগোনগী স্পোক্সমেন অদাম ষ্টম্পনা ফোঙদোকখি।

অমেরিকাগী খ্বাইদগী শাংবা লালগী এক্সপার্টশিংনা পাকিস্তান্দা লৈরিবা মিলিটেন্টশিংগী অকোম্বা লোৎফমশিংদুনা টালিবানগা মরী লৈনবা লালহৌবশিংবু অফঘানিষ্টান্দা শাথিরবা ষ্ট্রাইকশিং চথনবা শিন লাংবা অমসুং গ্রাউন্দ ওফেন্সিভকী মতুংদা অমুক হন্না পুনশিন্নবগী খুদোংচাবশিং ফংহল্লি হায়রি।

ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা পাকিস্তানগী মরমদা মতম শাংনা খন দুনা লাক্লবসু হন্দক চয়োল খরা অসিদা ইস্লামাবাদকা লৈনবা মরীগী মতাংদা মীৎয়েং চংদুনা হেন্না খন্ন-নৈনরকখি। এদমিনিষ্ট্রেসনগী রিজনেল ষ্টেটেজি অমা পুথোক্লবা হোৎনরকখিবগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা ওফিস পাইবা হৌখিবা থা তরুক্লোমগী মতুং জুলাই থাখাই ফাওবগী মনুংদা মঙোন্দা রিজনেল ষ্ট্রেটেজি অদু লানখৎলগনি হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

# য়ুএস বেজদা থবক শুবা চৎপা অফঘান গার্দ ৮ টালিবান্না হাৎখ্রে



কাবুল, জুন ২০:

অফঘানিষ্টানগী নোরদর্ন পারৱান প্রোভিন্সতা গনমেনশিংনা এতেক চথুদুনা য়ামদ্রবদা অফঘান সিক্যুরিটি গার্দ নিপান হাৎখ্রে হায়না প্রোভিন্সিয়েল ওফিসল অমনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। তুংদা টালিবাননা এতেক অদু ক্লেম তৌখ্রে হায়রি।

হৌখিবা অহিংগী অথেংবদা চথুখিবা নোংমৈগী এতেক অদুদা অতৈ গার্দ অনীসু অশোক-অপন নংখি হায়না পরেৱানগী গভর্ণরগী স্পোক্সপার্সন ৱাহিদা শাহকরনা ফোঙদোকখি।

গার্দশিং অদুনা অফঘানিষ্টান্দা লৈবা য়ু এস মিলিটরিগী মরু ওইবা বেজ ওইরিবা বাগ্রাম এয়রফিল্ডদা থবক শুবা চৎপদা এতেক অদু চথুখিবনি হায়না সাহকরনা মখা তাখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মিদিয়াদা থাদোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা টালিবানগী স্পোক্সমেন জবিহুলাহ মুজাহিদনা এতেক অদু মখোয়না পাঙথোকখিবনি হায়না ক্লেম তৌখি।

টালিবান লালহৌবশিংনা অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা এতেক চথুবা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপগী এফিলিয়েট অমনসু অফঘানিষ্টানগী মফম কয়াদা অচৌবা এতেক কয়া চথুদুনা লৈবাক অসিদা মখোয়গী খোংফম হেন্না পাকথোক চাউথোক্লবা হোৎন্দুনা লাকখি। নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু মখা তানা থীজিল্লি হায়না সাহকরনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অহিংদা কেপিটেলদা প্রোটেষ্টরশিংনা খনগৎখিবা টেন্টগী লেমহৌবা শরুকশিং থুপচিন্নবা চংশিনখিবগা লোয়ননা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই অমা শিখ্রে অমসুং তরুক্না অশোক-অপন নংখ্রে হায়রি।

অফঘানিষ্টানগী চিফ ইগজেক্যুটিভ অব্দুলাহনা অহানবদা থৌদোক অদু লাইভ টিভি ব্রোদকাষ্ট অমদা লাওথোকখি। হৌজিক ইনভেষ্টিগেসন কন্না চথরিবা মীহাৎশিং অদুনা ঐখোয় পুম্নমকপু থম্মোয় কাইহল্লে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। কাবুলগী প্রোটেষ্ট অদু থা অসিগী অঙনবদা পৱারফুল ওইরবা ত্রক বোম অমা কেপিটেল সিটিগী ময়াই চবুকমক্তদা পোকখাইহনখিবদা মীওই ১৫০ হেন্না শিখিবা অমসুং ৪৫০ হেন্না শোকখিবা মতুংদা হৌখিবনি। মদুদগী প্রোটেষ্টর চা কয়ানা প্রসিদেন্সিয়ল পেলেস অমসুং ব্লাষ্ট সাইটকী মনাক্কী লম্বী অমদা লোয়ননা সিটিগী অতৈ মফমশিংদা চয়োল অহুমলোম অচৌবা টেন্টশিং খল্লকখি। নিংথৌকাবা নুমিৎকী অহিং ফাওবদা অচৌবা টেন্ট অমতমক লৈহৌখি।

প্রোটেষ্ট অদুনা মরম ওইদুনা পুলিসনা প্রসিদেন্সিয়ল পেলেস অমসুং দিপ্লোমেটিক এরিয়াশিং তাবা লম্বী পুম্ন নমক থীংজিনখি। হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা গাড়িশিং অমসুং মীশিংগী চৎথোক চৎশিনসু নেমখি।

# চাইনিজ মহৈরোয় এপ্লিকান্টশিংগী মশিং হন্থরকপা য়াবগী ফীভম লৈরে

সেন দীয়েগো, জুন ২০:

১৪ শুবা দালাই লামানা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা য়ুনিভর্সিটি ওফ কালিফোর্নিয়া সেন দীয়েগো (য়ু সি এস দি) দা কম্মেন্সমেন্ট স্পীচ অমা পীখিবা মতুংদা য়ুনিভর্সিটি অদুদা এপ্লাই তৌগদবা চাইনিজ মহৈরোয়শিংগী মশিং হন্থরক্লবা য়াই হায়রি। চাইনিজ মহৈরোয়শিংনা অকনবা ওবজেক্সনশিং পীবা লৈনা লৈনা দলোই লামাবু য়ুনিভর্সিটি অদুদা ৱা ঙাংহনখিবনি হায়না ওভসিজ ষ্টদি কন্সলটেন্সিনা ফোঙদোক্লি।

য়ু সি এস দিগী চাইনিজ মহৈরোয়শিংনা য়ুনিভর্সিটি অদুনা দালাই লামাবু কম্মেন্সমেন্ট স্পীকর ওইনা কৌখিবা লোয়ননা স্কুল অদুনা মহাকপু লোইদা লৈবা স্পিরিচ্যুয়ল লিদরনি হায়না ফোঙদোকখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি অমসুং মদুদগী মখোয়না প্রোটেষ্ট তৌরকখি। গ্লোবল টাইমসনা মপান্দা মহৈ তম্বগী কন্সল্টিং কম্পেনি রিবোর্ন ইজ্যুকেসনগী ফাউন্দর ফু য়িংদোংগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি মদুদি দালাই লামানা ৱা ঙাংখিবদুনা মরম ওইদুনা মহাক্কী মহৈরোয়শিংগী মরক্তগী অনীনা মখোয়গী ওপসনশিংদা য়ু সি এস দি য়াওররোই হায়না মঙোন্দা ফোঙদোরকখি।

মহাক্না হায়খি, য়ু এস এস পিনা মখা তানা মখোয়গী অপিলদা থৌশাদবা তারবদি চাইনিজ মহৈরোয়শিংগী ওপসন কয়া লৈ। ফীভম অসিদা চাইনিজ মহৈরোয় এপ্লিকান্টশিংগী মশিং হন্থরকপা য়াই। য়ুনিভর্সিটি অদুগী গ্রেজুএট ৬,০০০ অমসুং গেষ্ট ১৫,০০০ রোমদা ৱা ঙাংলদুনা দালাই লামানা মহৈরোয়শিংদা য়ারিবমখৈ খাইবুং খাইবুং তানদবা অমসুং হেন্না পিছফুল ওইবা মালেম অমা শেম্নবা পুন্না থবক তৌমিন্ননবা মহৈরোয়শিংদা তকশিনখি।



HL-B/3834/27/04-27/05

## EMPLOYMENT NEWS

### NIT Calicut Recruitment – National Institute of Technology – 113 Technical Staff Vacancy– Walk-In-Interview 04 to 07 July 2017

**NIT CALICUT RECRUITMENT 2017**

National Institute of Technology (NIT) Calicut invites Application for the post of 113 Technical Staff on Purely Adhoc basis. Walk-In-Interview 04 to 07 July 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**NIT Calicut Job Details :**

Post Name : Technical Staff
No. of Vacancy : 113 Posts
Pay Scale : Rs. 12500/- for Diploma Holder & Rs.10000/- for ITI Holder

**Eligible Criteria for NIT Calicut Recruitment :**

**Educational Qualification :** B.Tech/BE/B.Sc/Diploma/ M.Sc/ITI in relevant discipline.

**Nationality :** Indian

**Age Limit :** Maximum age limit 30 years As on 01.07.2017

**Job Location :** Calicut (Kerala)

**Selection Process :** Selection will be made on Personal Interview.

**Application Fee :** There is no application fee.

**How to Apply NIT Calicut Vacancy :** Interested Candidates may appear for Interview along with Original & photocopies of relevant document at the time of Interview.

**Important Dates to Remember :**

**Date of Walk-In-Interview :** 04 to 07.07.2017 at 08:00 AM

**Important Links :**

**Detail Advertisement Link :**

http://www.nitc.ac.in/app/webroot/img/upload/96411414.pdf

### Government of Haryana Recruitment Irrigation & Water Resources Department – 500 Junior Engineer Vacancy Last Date 10 July 2017 Government of Haryana Recruitment 2017

**Government of Haryana Recruitment 2017**

Irrigation & Water Resources Department, Haryana, Government of Haryana Invites applications for the post of 500 Junior Engineer (Civil/Mechanical/ Electrical) on contract basis. Apply before 10 July 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**Government of Haryana Job Details :**

**Post Name :** Junior Engineer

**No. of Vacancy :** 500 Posts (Civil – 360 Posts, Mechanical -28 Posts & Electrical – 12 Posts)

**Pay Scale :** Rs. 8100/- (Per Month)

**Eligibility Criteria for Government of Haryana Recruitment :**

Educational Qualification : B.Tech. in Civil Engineering/ Bachelor in Engineering (Civil/Mechanical/Electrical Engineering) from any recognized University or Associate Membership Examination of the Institute of Engineers (India) (Associate Member of the Institution of Engineering Civil/Mechanical/Electrical ) OR passed three years National Certificate (Theoretical) course in Civil /Mechanical/Electrical engineering conducted by the State Board of Technical Education, Haryana or any other institution recognized by the Haryana Govt.

**Age Limit :** Minimum and Maximum age limit is 17 to 45 years as on 10.07.2017

**Job Location :** Panchkula (Haryana)

**Selection Process :** Selection will be based on Merit basis.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.50/- for Male General, Rs.75/- for Female General & Rs.35/- for SC/BC/EBP-G categories through Online or E-challan in any branch of State Bank of India.

**How to Apply Government of Haryana Vacancy :**

Interested candidates may apply Online through the website www.hid.gov.in from 20.06.2017 to 10.07.2017.

**Important Dates to Remember :**

**Starting Date for Submission of Online Application:** 20.06.2017

**Last Date for Submission of Online Application:** 10.07.2017

Important Links :

**Details Advertisement Link :**

http://hidrecruitment.in/Information_Bulletin.pdf Apply Online : http://hidrecruitment.in/